# বি জে পি না মণিপুরবু মৈ চাকহনবনি, ঙসিসু লাইনিং লাইশোনগী লমদা মীয়াম্বু অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবা হোৎনরি ঃ রাহুল

**ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :**

লোক সভাদা ওপোজিসনগী লুচিংবা ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিদা বি জে পি না চৠরিবা পোলিসি অমদি মখোয়না পৱার পায়নবগীদমক তৌরিবা পোলিটিক্সকী মতাংদা হুন্দুনা ঙাঙবদা মণিপুরদা থা ১৯ শুরক্লবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি বি জে পি না লমদম অসিগী মীয়ামগী খনবীদবনা ঙসি ফাওবা ঈরাং অসি লোয়শিন্দনা থম্বনি হায়খ্রে। বি জে পি না মণিপুরবু মৈ চাকহনবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা হায়, বি জে পিনা লৈবাক অসিদা চঠখরিবা পোলিসিশিং অসি মখোয়গী কান্ননবা খক্কী খন্দুনা শেমখিবা ঙাক্তনি। মণিপুর খক্তা নত্তনা মফম কয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈজরিবা মীয়াম্বু বি জে পি না লাইনিং লাইশোনগী লমদা খায়দোক খায়জিন তৌদুনা অমনা অমবু নুংশিনদনবা থৌরাং শিন্দুনা তোখায় তোখায় তাহন্নবা হোৎনরি।



হিন্দু, মুস্লিম, খৃষ্টিয়ান অমদি শিখশিংবু অমনা অমবু নুংশিনদনবা ইনশিন্দুনা কাংলুপকী ঈরাং থোক্লবা শীল্লি। লাইনিং লাইশোনগী লমদা নুংশিনরক্তদুনা ঈরাং থোক্লবা মতমদা বি জে পি গী তোংজবা ওইরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা হরয়ানাগী এসেমব্লি মীখলদসু বি জে পি না লমদমসিগী জাৎ-ফুরুপ্পু অতোপ্পা জাৎ-ফুরুপ নত্তবা কাংলুপশিংগা নুংশিনদনবা শিন্দুনা মীখল অসি মায় পাক্লবা খুদোংচাবা লৌখি। অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং অসি বি জে গি গীদি হৌবদগী হৌনা লোয়নরক্লবা করেক্টরনি হায়খি।

রাহুল গান্ধীনা মখা তারদুনা হায়, ঐহাক্লা কাশ্মিরদগী কৈন্যাকুমারী ফাওবা কিলোমিটর লীশিং ৪ হেন্না খোঙচৎনা চৎতুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অমনা অমবু নুংশিনদবা কয়া অসিগী মরক্তা নুংশিবগী থোঙ হাংদোক্লবা হোৎনখি। খোঙচৎসিগা মরী লৈননা ঐহাক্লা মাইনোরিটি অমসুং ত্রাইবেলশিংগীদমক খোল্লাও লাউবা মতমদা বি জে পি না ঐহাক্লা তৌরিবসি লৈবাক অসি মচেৎ তানা থুগায়নবা হোৎনবনি হায়না ইরাল শীখি। অদুবু লৈবাক অসিগী পোপুলেসন চাদা ৯০ রোমগী পূক্লিংদা লৈরিবা ৱাখল্লোনশিং অদু ঐহাক্লা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম তানবা অমসুং লৈঙাক তানবা লাউবসিনা অরানবনি হায়রবদি মখা তানা অরানবনা অচুম্বা ওন্দ্রিবা ফাওবা লাউখিগনি।

বি জে পি না লুচিংবা সেন্টর লৈঙাক্লা শেঞ্জাও পায়বা মীওই ২৫ গী লুপা ক্রোর লাক্ষ ১৬ হেন্না কোকপীখ্রবসু লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি তোল্লিবা শেলশিংগী মরমদদি কোংগ্রেসতা তাইশিন্নবা হোৎনরি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী লোন ঙসি ফাওবা কোকপিবা লৈত্রিবসি লৌমীশিং অসি মাইনোরিটি ওইবগীনি হায়খি।

# হরাও কুম্মে মতমদা ইন্দিয়াগী ত্রেনশিংনা মীয়াম হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা অৱাবা ওইরি, চাইনানা করিসু লৈতনা পাঙথোক্লি

**ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :**

ইন্দিয়াদা হরাও কুম্মোগী মতম লাকপদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থবক তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী ইমুং-মনুংগা পুন্না লৈমিন্নবা ফংনবা অমসুং হরাও কুম্মোদা শরুক য়ামিন্ননবগীদমক ত্রেন তোংদুনা মখোয়গী পোক্লফম লমদমদা হন্নবা হোৎনরিবসিদা ইন্দিয়াগী রেলৱে সিষ্টেম অসি মতিক চাদবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ত্রেন ফংদবগী অৱাবা, ত্রেন মনুংদা কৃক কৃক ইন্ননা ৱানা চৎপা অমসুং ত্রেনশিং অসিগী টৈইলেটতা ফাওবা ফমদুনা চৎপগী ফীভম লৈরি।



পি এম মোদিনা লুচিংবা সেন্টর লৈঙাক্লা 'বন্দে ভারত' ভারত ত্রেন হৌদোক্তুনা লৈবাক অসিদা খোঞ্জেল য়াংনা অমদি ষ্টেন্দার্দ লৈনা ত্রেন সার্ভিস তৌনবা হোৎনখ্রবসু লোঞ্চ তৌখিবা বন্দে ভারত ত্রেনসিনদি মীয়ামগী দিমান্দ ফংহনবা ঙমদ্রি। হরাও কুম্মোগী মতম লাকপদা মীদল ক্লাস অমদি লায়রবনা নম্বা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা ফ্লাইট টিকেট ককপা ঙমদবনা ত্রেনদা তাংজনবা হোৎনরকপা মতমদা ত্রেন টিকেট ফংদবা অমসুং যুমদা হন্নবা হোৎনবদা মতম চংবনা হরাও কুম্মে নুমিৎতা ইমুং-মনুংগা পুন্না লৈমিন্নবা ফংহৌদবা মীওই কয়া য়াওরি।

ইন্দিয়াদা রেলৱে সিষ্টেমগা মরী লৈননা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবসি কুমজা ১৯৮০ গী মতমদা চাইনাদা থোকখ্রবা থৌদোক অমনি। অদুবু এসিয়াদা লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চাওখৎ লমজেলদা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরিবা চাইনানা হায়রিবা খুদোংচাদবসি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎখিবদগী মুখৎপা ঙমখ্রে।

চাইনাগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মোনি হায়নরিবা লুনর ন্যু য়্যর অসিদা চাইনিজশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মখোয়গী পোক্লফম লমদমদা হন্নবা হোৎনবদা মালেমদা খ্বাইদগী ফৱা অমসুং খোঞ্জেল য়াংবা রেলৱে সিষ্টেম ওইরিবা চাইনাগী ত্রেনশিংনা মীওই বিল্লিয়ন হেনববু করিসু লৈতনা পুথোক পুশিন তৌদুনা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা হরাও কুম্মোদা পুন্না লৈমিন্নবা ফংহল্লি হায়রি।

# ম্যান্মারগী রখাইনদা চাক তাঙবা মায়োক্লগদৌরি

**নাইপিদাউ, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :**

ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্তা অমদি রেজিষ্টেন্স ফোর্সশিংগী মরক্তা মতম শাংনা খুৎ থোক্লদুনা লাকখ্রবা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা লানসিনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংগী পোথোক পুথোকপা ঙমদবা অমসুং ষ্টেট অসিদা লল্লোন ইতিক্কী থবক চপ লেপ্তুনা লৈবনা চাক-তাঙবা থোক্কদৌরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা চেকশিন ৱা থল্লকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখিবা রখাইন ষ্টেটতা অথুবদা মীৎয়েং চংদ্রবদি মীওই মিল্লিয়ন ২ রোম চারা হেনগদৌরে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী খন্দুনা খুৎ থোক্লরিবা নাকল অনিনা য়ামদ্রবদা ইন্টরনেসনল অমসুং দোমেষ্টিককী ওইবা লল্লোন ইতিক্কী থবক অমুক হৌনবা থৌরাং তৌবা মথৌ তাই।

চানবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবসিগী মথক্তা লমদম অসিগী মীয়াম পোৎ-চৈ তাংখৎপা, শেল লাক্লিংঙাই লম্বী লৈতবা অমদি মখোয়না পুথোকচবা পোথোকশিং য়োনফম লৈতবনা তৌফম খঙদদুনা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে হায়রি।

মমাং চহীগী নবেম্বর থাদগী হৌনা রখাইন ষ্টেটতা অরাকান আর্মি (এ এ) না মিলিটরি হুন্তাগী ফোর্সতা এটেক চঠখদুনা লাকখিবনি। ঙসি ফাওবা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপ্তবনা লমদম অসিগী ইকনমি চপ লেপ্তুনা লৈবদা নত্তনা পোথোক কয়াসু অমাং-অতা থোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মতুং ইন্না লমদম অসিগী মীয়াম্না পুথোকচরিবা পোথোকশিং অসিনা মথং চহীগী মার্চথা ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী চীঞ্জাক্কী মথৌ তাবা চাং অদুগী চাদা ২০ খক্তমক পীবা ঙমগদৌরি। মসিগী মতুংদা লানসিনা মরম ওইরগা লৌফম কয়া লৌউবা য়াদনা লৈরবদি অমসুং ষ্টেট অসিদা ম্যান্মারগী অতোপ্পা মফমদগী লাঞ্জেন্নবা মীওইশিং চংশিল্লক্লবদি চাক তাঙবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিরকপা য়াই হায়না য়ু এন না চেকশিন ৱা থমখি।

# সেন্টর লৈঙাক্লা চরু মৈ থাবগী ফাইন শরুক ২ হেনগৎহনখ্রে

**ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :**

সেন্টর লৈঙাক্লা ঙরাং এনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন এক্ট (ঈ পি এ) ১৯৮৬ কী মখাদা অনৌবা রুল কয়া পুথোক্তুনা লৈবাক অসিদা লৌমীশিংনা চরু মৈ থাবা মতমদা লৌখৎকদবা এক্সন অমদি থীগদবা ফাইনগী মতাংদা অনৌবা রুল কয়া শেমখ্রে।

অনৌবা রুলশিং অসিগী মতুং ইন্না করিগুম্বা লম একর ২ দগী তানা লৈবা লৌমীশিংনা চরু মৈ থারল্লবদি লুপা লীশিং ৫ ফাইন থীগদবনি, একর ২ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবনা লীশিং ১০ অদুগা একর ৫ গী মথক্তা লৈবনা লুপা লীশিং ৩০ ফাওবা ফাইন থীগদবনি হায়রি।

মসিদা নত্তনা সেন্টর লৈঙাক্লা চরু মৈ থাবগী মায়োক্তা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট পোলুশন কন্ট্রোল বোর্দ নত্রগা কম্মিটিশিংদা করম্না ৱাকৎ থাঙ্গৎকদগে অমসুং থাঙ্গৎলক্লিবা কমপ্লেইন অসিগী মতুং ইন্না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা করম্না ইনক্কারি চঠখগদগে হায়বগী মতাংদসু অনৌবা রুল কয়া শেমখি।

পনবা য়াবদি মমাং থাগী ২৩ দা সুপ্রিম কোর্টনা ঈ পি এ অসি ময়া য়াওদবগা চপ মান্নরে হায়না সেন্টর লৈঙাক্তা তকখৎখিবনি।

# কোর্ট অসিদা ঐহাক্লা কনাগুম্বা মীওই খরদা নুংঙাইতবা ফাওহনখ্রবদি ঙাকপীয়ু ঃ চিফ জষ্টিস

**ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :**

দি ৱাই চন্দ্রচুড়না চিফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া (সী জে আই) ওইবগী অরোইবা নুমিৎনা লাকপদা ঙসি মহাক্লা মীয়ামদা য়াফ-পাউজেল পীরদুনা মহাক্লা সুপ্রিম কোর্টতা পায়খৎখিবা কেস অমসুং পীখিবা ৱায়েলশিং মীয়ামগী অমদি লৈবাকসিগী ফনবগীদমক্নি। মসিদা করিগুম্বা মহাক্লা কনাগুম্বা মীওই খরবু নুংঙাইতবা ফাওহনখিবা য়াওরবদি মহাকপু ঙাকপীয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চিফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুড়না হায়, ঐহাক্লা নহা ওইনা লোয়র অমা ওইরকপদগী কোর্ট রুমদা চঠখরিবা থবক থৌওংশিং অসি দ্যুটি অমা ওইনা উরক্তে। কোর্ট রুমদা চঠখরিবা থবক থৌরমশিং অসিদি লৈবাক অসিদা থোকপা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অমদি মীওইবগী পূন্সিগা তোৎন-তিন্নরবা ৱারী ঙাক্তনি।

ঙসি ফাওবা ঐহাক্লা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকপসিদা ঐহাক্লা পীখিবা ৱায়েলশিংনা মীয়ামগী পূন্সিদা অহোংবা পুরকপা অমদি লৈবাক্কী পোলিসি প্রোগ্রাম কয়াদা কোর্টনা মীৎয়েং চংদুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফগদবা অমদি খ্বাইদগী ফগদবা লম্বীদা খুৎ থীনবা ঙমদুনা মীয়ামগী থৌগল পেন্না তৌবা ঙম্বসিদগী হেন্না অপেনবা লৈত্রে হায়খি।

দি ৱাই চন্দ্রচুড় কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর ৮ দগী চিফ জষ্টিস ওইনা থৌ পুরকখিবনি।

# OFFICE OF THE RETURNING OFFICER FOR ELECTION OF THE MEMBERS OF THE BOARD OF DIRECTOR OF THE MANIPUR STATE FISHERY CO-OP. FEDERATION LTD.

## /NOTIFICATION

Imphal, the 7st November, 2024

No.4/RO/Elec/MSFCF Ltd./2024 In exercise of the powers conferred upon me by the Orders No. L-Coop/FSH/2018-19 dated the 4th November, 2024 of the Registrar of Cooperative Societies, Manipur, I Shri Ksh. Bikramjit Singh, Returning Officer to the election of the Board of Directors of the Manipur State Fishery Co-operative Federation Ltd. do hereby notify that the election of the Board of Directors of the Manipur State Fishery Co- operative Federation Ltd. will be held on the 23rd November, 2024. The said election will commence from 1:00 P.M to 3:00 P.M.

The delegation forms A and A(1)(C) may be obtained from the Head Office of the Federation and the same should be submitted to the Office of Manipur State Fishery Co-operative Federation Ltd. on or before 16th November, 2024 and final list of delegates/candidates will be published on 19th November, 2024 after scrutiny. The candidates may collect the prescribed forms 'B' and B(1) on the same day during Office hours.

**SCHEDULE**

| Sl.No | Title | DATE | TIME |
|---|---|---|---|
| 1 | Submission of nomination paper | 18/11/2024 | 10:00 AM-4:00 PM |
| 2 | Scrutiny of nomination paper | 19/11/2024 | 10:00 AM-4:00 PM |
| 3 | Withdrawal of nomination paper | 20/11/2024 | 10:00 AM-12:00 PM |
| 4 | Publication of the valid candidates | 20/11/2024 | 3:00 PM |
| 5 | Election of Board of Directors | 23/11/2024 | 1:00 PM - 3:00 PM |
| 6 | Counting of ballot paper. | 23/11/2024 | 3:00 PM-4:00PM |

All the concerned members are requested to attend the meeting for election of the Board of Directors of the Manipur State Fishery Co-operative Federation Ltd. for the term 2024-2029.

Sd/-
**Ksh. Bikramjit Singh**
Returning Officer
To the election of the Board of Directors,
The Manipur State Fishery Co-operative Federation Ltd.

HL-P/1712/09

# হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা রিপব্লিকান পার্টিনা মেজোরিটি ওইগদৌরে, পুতিননা ত্রম্পকা ৱারী শাবা পাম্লি

**ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :**

দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ু এস কী প্রসিদেন্সিয়েল মীখল মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী ৪৭ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনবা শেম শাখ্রবা মতুংদা য়ু এস কী চেম্বরস ওফ কোংগ্রেস (সিনেট অমসুং হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস) তা দেমোক্রেটিক পার্টি অমসুং রিপব্লিকান পার্টিনা মেজোরিটি ফংনবগীদমক হোৎনরি।



সিনেটকী সিট ১০০ গী মনুংদা ত্রম্পকী রিপব্লিকান পার্টিনা সিট ৫৩ ফংদুনা মেজোরিটি ওইবা ঙমখ্রে। মসিগী মথক্তা অরিজোনা অমদি নেভাদাদা ত্রম্পকী কারক্লবদি সিনেটতা রিপব্লিকানকী সিট মশিং ৫৫ য়ৌনা পুখৎলকপা য়ানা লৈরি।

অমরোমদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী সিট ৪৩৫ লৈবসিদা হৌজিক ফাওবদা দোনাল্ড ত্রম্পকী রিপব্লিকান পার্টিনা সিট ২১১ ফংদুনা মেজোরিটি মার্ক য়ৌগদবা সিট ৭ খক্তা ঙাইরে। দেমোক্রেটিক পার্টিগী ওইনদি হাউস ওপ রিপ্রজেন্টেভসতা মেজোরিটি ওইবা ঙম্নবা সিট ১৯ কাবা মথৌ তারি।

সিনেট অমসুং হাউসকী ফাইনেল রিজল্ট অসি খঙনবা হোৎনবদা মতম খরদি চংখিগদৌরি অদুবু সিনেটতা রিপব্লিকান পার্টিনা মেজোরিটি ওইবা ঙমখ্রবনিনা ত্রম্পকী প্রসিদেন্সি অসি মপাঙ্গল কনবা লৈঙাক অমা ওইগনি থাজনরি।

অমরোমদা দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ু এস কী ৪৭ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনবা থৌরাং তৌখিবদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুতিননা দোনাল্ড ত্রম্পকা ৱারী শাদুনা মহাক্লা ইলেক্সন কেম্পেইন তৌবদা য়ুক্রেনগী লান লোয়শিনগনি হায়না থমখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা ৱারী শানদুনা করিগুম্বা অহোংবা খরা পুরকপা পাম্লি হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱ্লাদিমির পুতিন অমদি দোনাল্ড ত্রম্পকী মরী অসি মমাংদা ফনা লৈখিবা অমসুং দোনাল্ড ত্রম্পনা নেটোগী থবক থৌরমশিংদা পূক্লিং চংদবা মতৌ উৎপনা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা য়ুক্রেন লান অমদি য়ুরোপকী তুংগীদমক মীপায়বা পোক্লরি। চৈরকসিদা ইটলিগী পি এম জোরজিয়া মেলোনিনা ত্রম্পনা মীখল মায় পাকখিবদা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা য়ু এস তা মপাল তাংদবীদা মশাগী ফনবা হোৎনজবগী মতম ওইরে হায়খ্রে।

# মোজাম্বিকতা মীখলগা মরী লৈনবা ঈরাংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২১ শিরে

**মাপুটো, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সি) :**

আফ্রিকাগী মোজাম্বিকতা মমাং থাগী ৯ দা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন অদুগী মতুংদা মীখল অসি রিগ্গিং তৌই হায়দুনা ওপোজিশননা হৌরকখিবা ঈরাং অদুদগী ভাইওলেন্সকী থৌওং মখা শমথরক্তুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২১ শিখ্রে।

ঙসিসু প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিস ফোর্সকা মুক্লরকপদগী চাউনা ঈরাং থোকপদা মীওই ৩ শিখি, ৬৬ হেন্না অশোক অপন নংখি। মোজাম্বিককী সেন্টর ফোর দেমোক্রেসি এন্দ হ্যুমেন রাইটসনদি মীখলগা মরী লৈননা শিখিবা মী মশিং অসি ৩৪ য়ৌরে হায়রি।

মোজাম্বিকতা মীয়াম্না লম্বীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট চঠখরিবসি রুলিং পায়রিবা ফ্রেলিমো পার্টিগী মায়োক্তনি। ফ্রেলিমো পার্টি অসিনা লৈবাক অসি কুমজা ১৯৭৫ তগী হৌনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লি। হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুদসু পার্টি অসিনা ভোট রিগ্গিং তৌদুনা নমদুনা মায় পাকখি হায়বগী ৱাহৌদগী ওপোজিশননা হৌদোকখিবা প্রোটেষ্টতা ভাইওলেন্সকী থৌদোক থোরকখিবনি।

সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশন অমদি ইন্টরনেশনল ওবজার্ভরশিংনসু মোজাম্বিকতা পাঙথোকখিবা মীখল অসি দেমোক্রেসিগী ওইবা অচুম্বা মওংদা পাঙথোকখিদে হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**
**Ref :- Mutation Case No. 226/SDC/M** **Dt. 8/11/2024**
Salam Herachandra Singh, S/o Late S. Gulamjat Singh of Sapam Leirak, Nong-maithem Leikai

- Vrs -

Late Salam Gulamjat Singh, S/o Late Salam Leikham Singh of Keibul Mayai Leikai

**/ NOTICE**

Moirang the 8th Nov., 2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৫-থাঙ্গদা লৈবা পাট্টা নং ৪২৬ অনৌবা সি: এস: দাগকী নং ৮১৩৭ এরিয়া ০.৫৯ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা ইংখোল অসি মৃ: পাট্টাদার মশাগী ইমুং-মনুং মহাক্কী পোকচবা মচানুপানা মিং নামা ওনবীরো হায়না শাখি য়াওনা খুৎয়েক পীদুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা কেস চঠখগনি।

HL-P/1723/09 Sd/- **B.C. to Sub-Deputy Collector, Moirang**

**IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR BISHNUPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 108/SDC/Bishnupur/2024**
Potshangbam Bhogendro Singh S/o, P. Nabakumar Singh of Bishnupur Ward No. 8 -Petitioner-

-Vs-

Potshangbam Thoibi Devi W/o Nabakumar Singh of Bishnupur Ward No. 8 -opo-

**/ NOTICE**

Bishnupur, the 2nd November, 2024

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ৩৭-বিষ্ণুপুর অৱাংগী পাট্টা নং: 463 (Old) 245(New) C.S. Dag No. 1588 গী এরিয়া 0.95 (Zero point Nine Five) একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি (পেটিস্নরস)গী মীংদা নামা ওনবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতী লৌজরোই কেস মখা চঠখরগনি।

**Sd/- Sub Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/1726/09 Nov.

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 441/SDC/Hng/IE/2024**
Memcha, W/o Md. Ajahar Ali of Moijing Leingoijil Khudon Makha ... Petitioner

- Vrs -

(L) Md. Rukaman, S/o (L) Abdur (Rashid) / Razak of Mantripurkhri ... O.P.

**/ NOTICE**

Dated 8/11/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: 9-Chingmeirong Nongpok লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 37 (Old) অনৌবা পাট্টা নং: 1/687 (New) দাগ নং: 16/790, এরিয়া .04 acre চাওবা Phourel অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/1722/09




